HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



এপ্রিল ১৩ : অথৌবশিংগী নুমিৎকী নুমিদাংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা পি এল এগী নীংতম লান্মী অমগী নীংশিং খুভমদা মৈরা-থাওমৈ অমসুং লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা




ঙসি পাঙথোক্কদবা হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগী চৈরাওবগী থৌরম মায় পাক্না পাঙথোকপগা লোয়ননা মণিপুরদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু হায়না হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেশন্সকী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীজরি।

সী এস আই আর-নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী চীফ সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমারনা ইবা 'কুম-পুবী লৈরাং কোম্বীরৈ' মিংথোনবা লাইরিক ফোঙবা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 49, Issue No. 020 | নিংথৌকাবা, শজিবু ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, April 14, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# চুড়াচান্দপুরদগী গাড়ী মপোৎ-মপোৎ ওইনা লাক্তুনা থাংজিং চীং কাহন্দনবা হোৎনখ্রে

## আর্মি অমসুং সী আর পি এফনা ফূরুপ অনীমক্কী মীওই অমত্তা চঙহনখিদ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না ঙসি শজিবু থাগী থানিল নুমিৎতা থাংজিং চীংথক্তা লৈবা মীতৈগী শেংলবা লাইফমলেনদা ফূরুপ অসিগী মীওইশিং লাক্তুনা ঈরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোল্লগনি হায়বদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নুপী য়াওনা মীওই কয়া পুল্লবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা গাড়ীশিং - কার, বোলেরো, দি আই টটা, টাটা মেজিক অমদি ৱিঙ্গর য়াওনা গাড়ী মচা কয়াদা য়াল্লবা মীওইশিং মপোৎ-মপোৎ ওইনা থাংজিং চীংখোঙ অমসুং চীংথক তম্না থোমজিল্লক্তুনা চীং অসিদা লৈরিবা মীতৈগী খুভমদা লাই খুরুম্বগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোকহন্দনবা থৌরাংখ্রে।

চুড়াচান্দপুর রোমদগী থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অদুনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা লাই খুরুম্বগীদমক চীং কারকফম ওইরিবা থাংজিং চীংগী চীংখোঙগী মফমশিং তম্না থোমজিল্লক্তুনা চীংথক্তা লৈবা খুভমদা লাই খুরুম্বগা মরী লৈনবা মীওই অমত্তা কাহল্লোই হায়দুনা থৌরাংখি। অদুবু লান অসিগী তমথীরবা থৌদোকশিংদগী থাংজিং চীংগী চীংথক অমসুং চীংখোঙদা দিপ্লোই তৌরক্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং খক্তা নত্তনা হন্দক্তা থাংজিং চীংদা লাইগী থৌরমশিং পাঙথোকপা মতম ওইরকপদগী খরগসু হেন্না ঙাক



চুড়াচান্দপুরদগী থাংজিং চীং তম্না থোমজিল্লকখিবা কুকি-জো ফূরুপকী মীওইশিং

শেলহনখিবা ৫৮-সী

...মখা লমায় ৩ কলম ২

# এপ্রিল ১৩ : অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্তুনা পি এল এগী লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখ্রে



অথৌবশিংগী খুভম - চৈরাও চীং (ওই), কোদোম্পোকপী (ময়ায়) অমসুং তেকচমদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎখিবা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) :** চহী খরগী মমাঙদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী অয়াবা লৌদুনা পাঙথোরকখিবগুম ঙসি এপ্রিল ১৩ : অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎতা অদুঙৈ কুমজা ১৯৮২গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা জে কে আর্মি য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মায়োক্নখিবা কোদোম্পোকপীগী লানফমদা লৈখিদ্রবা পিপলস লিবরেশন আর্মি (পি এল এ) গী থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমশিংদা অয়ূক্তগী হৌরদুনা নুমিদাংৱাইরম য়াচংলকপা ফাওবদা লৈ-শু অমসুং মৈরা কৎতুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

অথৌবশিংগী নুমিৎ অসি কোদোম্পোকপীগী লানফমদা

### থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা পি এল এগী অথৌবশিং

**কুমজা ১৯৮১গী জুলাই ৬তা ইন্দিয়ন আর্মিগা খূৎ থোক্নবদা লৈখিদ্রবশিং** - গোজেন এলিয়জ লাইশ্রম শান্তি এলিয়জ খোগেন (ফুবালা), শান্তি এলিয়জ নামৈরাকপম জয়কুমার (হৈরাঙ্গৈইথোং কৈথেল), ওজা কোবা এলিয়জ অথোকপম রাজেন মচা (কোইরৌ), ওজা লাংলেন এলিয়জ থোঙাম কবিচন্দ্র (ফৈজালৈতোং), ওজা য়াইমা এলিয়জ লাইশ্রম ইন্দ্রজিৎ (শীংজমৈ চোংথাম লৈকায়), ওজা ইবোহল এলিয়জ অকোইজম বিরমঙ্গল (শীংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়) অমসুং ইনাও এলিয়জ য়ুরেম্বম হেরাচন্দ্র

...মখা লমায় ৩ কলম ১

পি এল এগী ওজা রঘু (থৌদাম কুঞ্জবিহারি) য়াওনা লান্মী ৯ লৈখিদবা নুমিৎ লৌদুনা পাঙথোরক্লবসু লানফম অসিগী মমাঙ কুমজা ১৯৮১গী জুলাই ৬তা ইন্দিয়ন আর্মিগা খোংজেলমগী তেকচমদা শোক্লখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা পার্টি অসিগী অথৌবশিং য়াওনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অতে অথৌবশিংগী মফমদসু ইকায়খুম্নবা উৎখি।

মপূং ওইবা থৌরম ফোরৱার্দ ফেমিলি ফ্রন্ট, মণিপুরগী মায়কৈদগী ফেমিলিজ কম্মিটি ফোর দি ওবজার্ভেন্স ওফ ১৩ এপ্রিলনা শীন্দুনা ঙসি অয়ূক পুং ৬তগী হৌরদুনা থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংথক্তা লৈবা অথৌবশিংগী

...মখা লমায় ৩ কলম ২

# পি আরদি থা ৬ লৈরগদবা মাল্লে, ৱাকফ এক্টকী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলগনি : ইবোবী

## জে দি-য়ু অমসুং এন পি পিনা বিল পাস তৌনবা খন্নরকপদা করিমত্তা হায়খিদ্রগা এক্ট ওল্লবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎকনি হায়রক্লবসি শিরবা মতুংদা কল্লু হায়বগুম্বনি : কে মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) :** পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা বিল ওইনা পুথোরকপদগী পাস তৌরবা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।




ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোল্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, এক্ট অসি কন্সটিট্যুশননা পীরিবা ইন্দিয়াগী সেক্যুলরিজম হায়বা মশক্তুগী মায়োক্তনি। হৌজিক সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক অসিনা কন্সটিট্যুশনগী প্রিএম্বলদা য়াওবা সেক্যুলর হায়বসি মথং-মথং শীংনরকপসিদা মীয়ামদা চাউনা মীপাইবা ফাওহল্লে। এক্ট অসি বিল ওইনা পুথোক্তুনা মতুংদা প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরগা এক্ট ওল্লবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫গী মায়োক্তা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনসু সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়না ওইনা পুথোক্তুনা

...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# হয়েল লৌবুক : ইস্লাম লাইনীংগীদমক শিগনি হায়না লাউখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না এক্ট ওন্দুনা চংনহনবা হৌরক্লবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫গী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী ইস্লাম লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপগী মনুং চন্না মণিপুরদসু মীতে পাঙলশিংনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপগী মখা তারকপদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হয়েল লৌবুক্তা লৈবা




জামিয়াতুল-উলামা-হেদায়াতুল-বসরনা মফম অদুগী ক্লব/ওর্গনাইজেশনশিংগা খূৎশম্নদুনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

...মখা লমায় ৩ কলম ১

# আর পি এফনা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ :** কুমজা ১৯৮১গী খোংজেলমগী তেকচমগী লানফম অমসুং কুমজা ১৯৮২গী কোদোম্পোকপী লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা পি এল এগী অথৌবশিংগী খুভমদা ঙসি পাঙথোকখিবা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম মায় পাক্না পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা খুদিংমকপু আর পি এফনা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপনি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী পুৱারীগী লমায়দা 'অথৌবশিংগী নুমিৎ' এপ্রিল ১৩ হায়না লেঙদনা লৈহৌরগদবা নুমিৎসিদা লাইওইখ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা মপূং ওইনা চৈরাও চীংগী থেলদা অমদি মফম মফমদা লৈরিবা অথৌবশিংগী খুভমদা মশাগী চিল্লবা থৌগাইশিং থাদোক্তুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা শরুক




ৱাফম অসি রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) রোবেন খুমননা য়াবীখিবা ইরমদমসিগী নুংশিজরবা অহল-লমন, ইপা-ইপল, ইমা-ইবেল,

...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# হিরোইন কেজি ১

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) :**

পুলিসনা ঙসি নোর্থ এ ও সীদগী কমল হুসেন (৪৪) কৌবা মীওই অমা হিরোইন কিলোগ্রাম ১.০১৩ অমসুং গ্রাম ৯৩ য়াওরম্বা ভাইল মরিগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

## প্রাইভেট তোংব্রম কল্লকচৈ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি : চরাইরোংবা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ :**



পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট : মণিপুর (য়ু এন এল এফ) কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশনগী দিরেক্টর চরাইরোংবা থোকচোমনা থোরকপা চেরোল অমদা প্রাইভেট তোংব্রম কল্লকচৈ এলিয়জ কেমিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙরাং (এপ্রিল ১২,২০২৫) নীংতম য়াওল লান্মী প্রাইভেট তোংব্রম কল্লকচৈ এলিয়জ কেমি লান্মী অমা ওইবগী মশাগী মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা থোকপা য়াম্লা লাইবক থীবা এক্সিদেন্ট অমদা নুংশিখিবা ইতাও অসি ইরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রে। প্রাইভেট কেমিনা লৈখিদবদা লালহৌলূপ অসিনা অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ এম পি এনা

...মখা লমায় ২ কলম ১

**গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা**

### পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি এপ্রিল ১৪, ২০২৫ গৌড় লাইনীং চৎপশিংগী চৈরাওবগী প্রেস ছুটি ওইবনা এপ্রিল ১৫দা পাউচে অসি পুথোকচরোই। -মেনেজর

# ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট : ময়াং ইম্ফাল ব্লোক কোংগ্রেসনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) :**

পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীনা মথং-মথং পাস তৌরবা মতুংদা প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদুনা এক্ট ওনখ্রবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫বু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মসিগী মায়োক্তা লেপকনি হায়না ময়াং ইম্ফাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা মিনিষ্টর ওইরমখিবা ডা. কে ঐচ রতননা ঙসি ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক্তা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টশিংনা শরুক য়াখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না এ সী অসিগী ওইনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা চপ চানা লেপকনি হায়বা ৱাফম পাউমীশিংদা ফোঙদোল্লদুনা এক্ট অসি মীতৈ পাঙলশিংগী কন্সটিট্যুশননা পীবা হকশিং মৎনবা শেমখিবা এক্টনি হায়খি।

# মোরে : লাঞ্জেন্নখ্রবা মীওইশিংগী য়ূম শীদোল্লগা জিঙ্ঘ হুরাল্লম্বা ২ ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে টাউনদসু কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লান য়ৌশিল্লক্তুনা মফম অসিদা লৈবা মীতৈগী য়ূম-কৈ, দুকান, হোটেল অমদি কৈথেলনচিংবা পাক্তক্না মৈ থাদোকপদগী লাঞ্জেন্নখ্রবা মীওইশিংগী মৈ চাকহৌদবা য়ূমশিংবু শীদোল্লগা মথক কুপ্পা জিঙ্ঘশিং হুরাল্লম্বনি হায়বা মীওই অনী ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদু মোরে টাউনগী মুম্পি খুলদগী খাইমিনলেন লুফো (৩৬) অমসুং মোরে ৱার্দ নম্বর ৯-লাংকিচোইদগী বোইপু গাংতে (৪০) কৌই। মখোয় অনীনা মী লৈনদ্রবা য়ূম শীদোল্লগা জিঙ্ঘ হুরাল্লম্বদগী বি এস এফকী টিম অমনা হকথেংননা ফাগৎখিবনি। মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা মোরে পুলিস ষ্টেশনদা খূৎশিন্নরকখ্রে হায়রি।

# কে সী পিগী ৪৫শুবা মপোক কুমওনদা মীয়াম্বু তৌবীমল খঙবা উৎচরি : ইবুংঙো ঙাঙোম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী পোলিট ব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী পার্টি অসিগী চ্যেরমেন ইবুংঙো ঙাঙোমনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদা পার্টি অসিগী ৪৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম লাকপদা পার্টি অসিবু হীরম খুদিংমক্তা শৌগৎপীরক্লিবা কংলৈপাক্কী থৌনা ফরবা মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি অমসুং মীয়ামগী মতেং অসি ঙসি ফাওবদা ফংজবা অসিমক পার্টি অসিগী লাইবক ফবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চ্যেরমেন ইবুংঙো ঙাঙোমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হয়েং এপ্রিল ১৪দা পার্টি অসিগী ৪৫শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা পার্টিগী পোলিট ব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী চহী লিশীং ২ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা তোপ তোপ্পা কংলৈ খুন্নাইগী লন্নাই মীওই অমদি মীয়াম হুপ্পা মুন্না খন্থদবা য়াদ্রবা অরুবা ৱাফম খরা থমজরি হায়রদুনা পুৱারীগী লমায়দা মণিপুরগী পোলিটিকেল, সোশল অমসুং ইকনমিকক্কী ওইবা ফীভমদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা শীংনরকপা কয়া কংলৈপাক্কী মীয়াম্না মায়োক্নদুনা লাক্লি। অদুগা হৌজিক খ্বাইদগী মরু ওইনা মায়োক্নরিবনা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংনা মে ৩, ২০২৩দগী লমদম অসিদা চথরক্লিবা কা হেনবা থৌওংশিংনি। ফীভম অসি ওইহল্লকপদগী ইরৈচা পুম্নমক্না শীংনবশিং মায়োক্নরক্লি হায়রদুনা লাইবক থীবদি ফীভম অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা সেন্টিমেন্টনা হান্না মাঙ থাবদৌনা তৌরিবা অসিনি।

কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসি মমু য়ৈথৎনবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা তৌদবা য়াদ্রবনি। মসিগীদমক য়েক্নবশিংনা ফূরুপ অনীগী মরক্তা থোরক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা অরানবা ৱাফমশিং শন্দোরক্লিবা অসি চুমথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। কংলৈপাক (মণিপুর) বু মীতৈ/মৈতৈ ফূরুপ খক্তগীনি হায়না শন্দোরক্লিবা অসি অরানবা ৱাফম্নি। ঐখোয়না

...মখা লমায় ৩ কলম ২

# য়ু জি ৩ ফারে, লুপা লাখ ২২ য়াওনা খূৎশু খূৎলায়শিং ফংলে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) :**

পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায়দগী পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী ফাইনান্স সেক্সনদা থবক তৌবা লাইশ্রম রামেস এলিয়জ বোবো (৪৪) কৌবা কাদর অমা ময়ূমদগী ফারে হায়রি।

মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট অনী অমসুং শেল ওইনা লুপা ২১,৫০,০০০ রিকোভর তৌরে। অদুগা ঙসি পুলিসনা লালহৌলূপ অমগী অহন্থেম রাজেস এলিয়জ নন্দকিশ্বর এলিয়জ পারিহন কৌবা কাদর অমসু ৱাঙ্খেদগী মরূ ১৫ য়াওবা পিষ্টোল অমা অমসুং মোবাইল ফোন অনীগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

মহাক ফারবা মতুংদা মহাক্কী লোংফমদা রেদ চথবদা এস এম জি কর্বাইন ১, নাইন এম এম পিষ্টোল ১,

...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# ইপামগী য়ূম অয়াম্বা কুকি খুলগা য়ূমলোন্নবনিনা মৈ থাদোক্তুনা উৎ ওলহনখ্রে, ঐগী য়ূম ফাওবদি মৈ থাদ্রি হায় অদুবু চঙশিন্দুনা লৈবা য়াবা ফীভমদি ওইদ্রে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**

**হকথেংনবা পাউদম**

**কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা**

(ঙরাংগী মখা...)

মে ৪, ২০২৩দা তমথীরবা লান অসি কাংচুপ চীংখোঙ য়ৌশিল্লকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লকখিবী মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী নিংথৌজম তোম্বীনা পাউচে অসিদা হায়, থৱায় হিংনবা চেল্লক্লবসু পাখৎনদুনা নুংশিরবা য়ূম হুন্দে দাক্তুনা লাপ্না চেল্লকপা ঙমখিদে। খরা চেল্লক্লগা অনকপদা লৈবা খুদোংচাগদবা মফম য়েংদুনা লৈরগা অমুক হন্না য়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমখিগনি খন্না চঙজফম লৌখি।

নুমিৎ অদু ঈরাং য়াম্না কনখি। অদুবু অদুম্মাইনা ওইরক্কনি হায়বদি খনখিদে। খরা চেনবা হৌরক্লগা অনকপা মফম অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরগা



ইশাগী য়ূমদা অমুক হঞ্জিনবা ঙমগনি খল্লম্বদু নোংমৈ মরূনা নোং চুবদৌনা চুরকখি। কাংচুপ চীংখোঙদগীনা উরিপোক কাংচুপ লম্বী পরিংদা লৈরিবা দোন বোস্কো স্কুল য়ৌদ্রিঙৈগী মরক্তা মামতোনগী য়ূম অমা লৈ। মদুদা চেনশিন্দুনা লৈখিবনি। অয়ূক নুংথিলগী মতমদা ইশাগী য়ূম অদুদা চঙদুনা লৈরগা নুমিৎ তারমদাইদগী থোরল্লগা অতোপ্পা শাফগদবা মফমদা লৈরগে খনখি। হায়বগা তৌবগা ফীভম অসিদা থা অমরোম মামতোনগী য়ূমদা চঙজফম লৌখি।

মতম অদু ফাওবদা কাংচুপ মায়কৈগী ওইনদি লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী রিলিফ কেম্প অমত্তা হাংদোকপীখিদবনা য়াম্না ৱানা লেনখি। কোন্নথংদা ফয়েং হায় স্কুলদা ঐহাক্না হৌজিক লৈরিবা রিলিফ কেম্প অসি হাংদোরকপদগী চঙদুনা লৈরকখিবনি। অসুম্না মে ৪, ২০২৩দগী য়ূমদগী চেন্থোরকখিবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা ফংদনা চহী অনীরোম য়াম্না ৱানা লৈরক্লি। হৌজিকসু রিলিফ কেম্প অসিদা লৈবদগী চরামক্তি হেন্দ্রে অদুবু য়ূম থাদোল্লগা লৈবনিনা পূক্লিং ৱাখল অসুক্কী মতিক ৱাই, লৈতাবা ঙমদে। (মথং-মথং)

# কে সী পিগী ৪৫শুবা কুমওনদা সেন্ট্রেল কম্মিটিনা মীয়ামদা চহীগী ৱারোল পীরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টরদগী লালহৌলূপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা লূপ অসিগী ৪৫শুবা মপোক কুমওনদা মীয়ামদা চহীগী ৱারোল পীরক্লি।

পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি কুমজা ২০২৫গী এপ্রিল ১৪ অসি কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ৪৫ শুবা মপোক নুমিৎনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা কে সী পি সেন্ট্রেল কম্মিটিনা পার্টিগী মহুৎ শিন্দুনা কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়াগী য়াওল্লুপশিং, ইমা লূপশিং, সী এস ওশিং, ইন্টলেকচুএলশিং, পব্লিক লিদরশিং, মীদিয়াগী ইচিল ইনাওশিং, হকশেল্লোইশিং, কুম্মৈরোইশিং, মহৈরোয়শিং, শান্নরোয়শিং অমদি লৌমী-শিন্মীশিং, ইরৈচা পুম্নমক্কী মফমদা চহীগী ৱারোল পীজরি হায়রি।

লোয়ননা, ইরৈপাক্কী নীংতম লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা য়াওল লান্মীশিং অমদি অথৌবা/অথৌবীশিং নীংশিংজবগা লোয়ননা মখোয়গী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি। লোয়ননা লানফমদা লাইবক থীবদগী শোয়নাইদুনা লৈরবা য়াওল লান্মীশিং, কৈশুমশঙদা ইরৈবাক্কীদমক ফাদোক তারিবশিং পুম্নমক্কী মফমদসু য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি।

নুমিৎ অসিগী খুদোংচাবা লৌরজরগা কে সী পি সেন্ট্রেল কম্মিটিনা লৈবাক মীয়ামদা ৱাফম খরদং কুমসি চহীগী ৱারোল ওইনা নোল্লুক্না থমজরি-ঙসি ঐখোয়গী মাংদা য়েক্নবা ওইনা লৈরিবা ভারত হায়রিবা লৈবাক অসি বৃটিশকী লোইলম ওইদ্রিঙৈদা অপূনবা লৈবাক ওইনা লৈরকখিবা নত্তে। নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়ানা অমগা অমগা শম্নদনা তোখায় তোখায়না লৈরকখিবনি। অমরোমদা, ঙসি ওইরিবা ভারত অসিদি বৃটিশকী খুদোলনি হায়বসু য়াই। বৃটিশ লাক্লবা মতুংদা নিংথৌ পানবা লৈবাকশিং মখোয়না মথং মথং খুদুম চনশিন্দুনা বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা পুনশিল্লকখিবনি খরনা মখোয়গী প্রোটেক্টোরেট ষ্টেট ওইনা থল্লকখিবনি। ঙসিগী অপূনবা ভারত অসিদি বৃটিশকী মায়োক্তা

...মখা লমায় ৬ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫